# দিল্লিদা লৈরিবা এনইগী মীওইশিংনা মায়োক্নরিবা
# সমশ্যাশিং কোকহন্নবা থবক লৌখৎলে

*-কাপিল সিবাল*

*নিউ দিল্লি, মে ২৬ঃ* দিল্লিদা লৈরিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিং অমসুং থবক তৌবা মীওইশিংনা মায়োক্নরিবা সমশ্যাশিং অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট, কপিল সিবালনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৪.৩০ তাবদা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নার বী কে গুপ্তা, সেনিয়র ওফিসিয়েলশিং অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মিটিং অদুদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীওইশিংনা দিল্লিদা মায়োক্নরিবা  সমশ্যাশিং অদু কোকহন্নবা মখল-মখা কয়াগী থবক ময়ামরুম পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না দিল্লি পুলিস কম্মিস্নার নত্রগা মহাক্না খনবা সেনিয়ার ওফিসার অমনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীওইশিংগা থা মরী-মরী খুদিংগী উন্নদুনা ৱাকৎ পুম্নমক তারগনি।

সমশ্যা খুদিংমকপু ওফিসিয়েল ওইনা কোকহন্নবা হোৎনখিদ্রবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী  মহৈরোই অমসুং থবক তৌবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী-শাননবগীদমক্তা লমদম অসিদা থবক তৌরম্বা অমসুং মখোয়গী কলচরবু মুন্না খঙবা সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা শাগদবা নোদেল ওফিসারশিংগী সেল অমা দিল্লি পুলিসনা লিংখৎলগনি।

দিল্লি পুলিসকা অশুম্না ৱারী শানবগী থৌরম অসি পাঙথোক্নবগীদমক্তা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংনা ওফিসিয়েল নত্রগা অনওফিসিয়েল ওইবা বোদি অমা শেম্লগনি অমসুং মরী লৈনবা মেম্বরশিংগী মমিং-মথা, লৈফম অমসুং টেলিফোন নম্বরশিং অদু দিল্লি পুলিসতা খঙহল্লগনি।

অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীওই মশিং য়াম্না লৈবা এরিয়াশিংদা পোষ্টিং তারিবা জুনিয়ার পুলিস ওফিসারশিংগী ওইবা অখন্নবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা নোর্থ-ইষ্টকী মীওইশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইহন্দুনা পাঙথোক্লগনি অমসুং হীরম অসিদা মেম্বরশিংগী মতেং লৌরগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা দিল্লিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি পুম্নমক্কী মফমদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী কলচরবু মশক মুন্না খঙনা মপাঙ্গল কনবা মহৈরোইশিংগী কাউন্সেল্লিং নত্রগা ৱেলফেয়ার সেলশিং লিংখৎখিবা চে ইদুনা হায়জরগনি।

মিটিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্নবা অমসুং এক্সন লৌখৎপগী রিপোর্ট অমা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টতা থাগৎলক্নবা ইরাই নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরি অশোক থাকুরনা দিল্লি পুলিস কম্মিস্নর কম্মিস্নরদা চিথি অমা ইদুনা খঙহনখ্রে।